**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 26-11-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৬-১১-২০২৪, লৈবাকপোকপা)**

১) ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট , বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

২) ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা ১৩ শুবা য়ুনাইতেদ নেসন্স জিও-স্পাসিএল ইনফোর্মেসন মেনেজমেন্ট (জি.জি.আই.এম) এসিয়া পেসিফিক প্লিনরি এন্দ রিজনেল কনফরেন্স ঙসি হৌদোক্লগনি।

**অমসুং**

৩) এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মরস ৱেলফিয়রস মন্ত্রালয়গী মখাদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা নেসনেল মিসন ওন নেচরেল ফার্মিং (এন.এম.এন.এফ)দ হীদোকবা অয়াবা পীখ্রে।

**কর্ফিয়ু (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট , বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি। মসিগী মতাংদা জিলাশিং অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা চেরোলশিং থোকখ্রে।

**ইন্টরনেট (এল) ঃ** রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী জিলা মঙা য়াওনা কাংপোকপী, জিরিবাম, ফেরজোল অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী মফমশিংদা মোবাইল দাটা য়াওনা ইন্টরনেট সার্ভিসতা থল্লম্বা অথিংবা হয়েং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ মিনিত

১৫ ফাওবা শাংদোকখ্রে। রাজ্যগী হোমগী কন্মিসনার এন. অশোক কুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-হৌজিক ওইরিবা ফিভমদা য়ুম্ফম ওইরগা পামদবা থৌদোক থোক্তনবগীদমক অথিংবা অসি মখা তানা থল্লকপনি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা অকোয়বগী ফীভম ঙাকশেনবা অমসুং দ্রগ শিজিন্নবা থিংনবগা মরি লৈননা কামজোং অমসুং তেংনৌপল জিলাদা ঙরাং তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে। থৌরমশিং অদুগী মতুং ইন্না কামজোং জিলাগী সোর্দে ভিলেজতা উ-চারা কয়া থাখি। তুংদা, খুলগী অকোয়বদা লমতু শেংবগী থবকসু চথখি। মখা তানা সংসকতগীনা কাশোং ফাওবগী লন্বীদা উ-চারা ২৫০ থাখি। থৌরম অদুদা খুঞ্জাশিং স্কুলগী শাত্রশিং অমসুং খুলগী মকোকথোংবা মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

অতোপ্পা থৌরম অমদা, তেংনৌপল জিলাগী বোঞ্জাং খুলদসু অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা নিশা শিজিন্নবা অমসুং মসিগী মাংজবশিং হায়বসিগী মতাংদা এৱেরনেস লেচরগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখি। থৌরম অদু নুপা-নুপী অমসুং অঙাং ৩০ রোমনা শরুক য়াখি অমসুং অখণ্ড-অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

**হায়ৱে(এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে-১৩৭ শেমজিন্নবগীদমক নো-ওবজেক্সন সর্তিফিকেট পীশিল্লকখ্রবা লমগী মপুশিংবু ‘দ জেমি কাউন্সিল নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া (জেট.সি.এন.ঈ.আই)না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মরি লৈনবা বিভাগশিংনা লন্বী অসি শেমজিন্নবগীদমক লেপ্পা লৈতনা হোৎনরিবা কয়া অসি কাউন্সিলগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। পাউ অসিনা হায়-হায়ৱে অসি মতম শাংনা শেন্বীদনা লৈরকপনা তৌশেমদা লৈরিবা মীয়ামদা অৱাবা কয়া মায়োকবতা নত্তনা মফম অসিদা লৈরিবা সব-দিভিজনেল হেদক্বাতরশিং মরু ওইনা হেলথ কেয়র সেন্তর অমসুং এস.দি.ও ওফিস মপুং ফানা চল্লাইবদা অপনবা কয়া পীদুনা লাক্লি।

**থৌরম (এল) ঃ** লৈবাক অসিনা ভারত সংবিধান চৎনখিবগী ৭৫ রক শুবা কুমওন অমসুং জনজাতিয়া গৌরব দিবস ২০২৪গা মরি লৈননা ‘সেভেনতি ফাইভ ইয়রস ওফ কন্সটিট্যুস্নেল ইভোল্যুসন-ইস্যুস এন্দ চেলেঞ্জেস’ হায়বসিদা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কোর্ট হোলদা ঙসি পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিগা মরি লৈননা হীরম অসিগী মতাংদা অখণ্ড-অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংগনি। সেমিনার অসি সেসন অনি থোকা পাঙথোক্কনি।

**য়ুএনঃ** ভারতনা য়ুম্ফু ওইদুনা ১৩ শুবা য়ুনাইতেদ নেসন্স জিও-স্পাসিএল ইনফোর্মেসন মেনেজমেন্ট (জি.জি.আই.এম) এসিয়া পেসিফিক প্লিনরি এন্দ রিজনেল কনফরেন্স ঙসি হৌদোক্লগনি। নুমিৎ মরিনি চুপা চত্থগদবা কনফরেন্স অসি নিউ দেল্লিগী ভারত মন্দপমদা পাঙথোক্কনি। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৩০দগী ইন্টরনেসনেল দেলিগেটস ৯০, লোয়ননা, লৈবাক অসিদগী দেলিগেটস ১২০ না কনফরেন্স অসিদা শরুক য়াগনি। কনফরেন্স অসিদা চাওখৎলক্লিবা জিও-স্পাসিএলগী তেকোলোজিশিং অমসুং সস্তেনেবল দেভলপমেন্ট গোলস মাই পাকবা জিও-স্পাসিএল ইনফোর্মেসনশিং করমা শিজিন্নগদগে হায়বসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী ওইবা ৱাখল্লোনশিং পুথোক্তুনা খন্নগনি।

**লৌমীঃ** এগিকলচর এন্দ ফার্মরস ৱেলফিয়রস মন্ত্রালয়গী মখাদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা নেসনেল মিসন ওন নেচরেল ফার্মিং (এন.এম.এন.এফ)দে হৗদোকবা অয়াবা পীখ্রে। স্কিম অসি কেন্দ্র সরকারনা খক্তনা স্পোন্সর তৌবনি। মসিগীদমক লূপা কোতি লিশিং ২, ৪৮১ কায়থোক্লগনি। নিউ দেল্লিদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফম লোয়রবা তুংদা পাউমীশিংগা উনবদা ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অস্বিনি বৈস্নোনা হায়-মিসন অসিনা খূৎশেমগী ওইবা হার শিজিন্নদনা মহৌশাগী ওইবা লৌউ পথাপ্তা চংশিন্নবা পান্দম থম্লি। মসিনা লৌমীশিংবু হেন্না কান্নবা ফংহল্লগনি। নেসনেল মিসন ওন নেচরেল ফার্মিং স্কিম অসিগী মখাদা লৌ-উবা

মীওই কোতি অমা হেন্না কোন্সিল্লগনি। মসিনা লৌমীশিংগী ওইনা লৈবাক লৈহাও হেন্না ফগৎহন্দুনা হকচাংদা কান্নবা অফবা পোৎথোক পুথোকপা ঙম্মগনি।

**তেক্স ঃ** কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধাননা ঙরাং নিউ দেল্লিদা তিচরস এপ মাইখুম হাংদোকখ্রে। মসিগী মরু ওইবা পান্দমদি, ২১ শুবা শতাব্দীগী মহৈরোইশিংদা ওজাশিংনা মহৈ মশিংগী লমদা হৌজিক হৌজিক্কী ওইবা অনৌবা তেকোলোজিশিংনা তাকপী তন্বীবগী থবক্তা চাওনা মতেং ওইরগনি। থৌরম অদুদা মন্ত্রিনা হায়-এপ্স অসিনা ওজাশিংবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা অফবা মাংজিল থাবা মহৈ মশিং পীবা ঙম্লগনি। মহাকা হায়-সরকার অসিনা নেসনেল ইদ্যুকেসন পোলিসি পায়খত্তুনা লেপ্পা লৈতনা শিক্ষাগী লমদা হেন্না অফবা থৌশিল কয়া পুথোক্তুনা লাক্লি। ওজাশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা লৈবাক অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহাশিংবু তুংগী পুন্সিদা অফবা মাংজিল থাবা লন্বী য়াৎলি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ হুমিগী খোঙচত্তা লাক্লিবা ইরাই নুমিত্তা উরিষাদা চৎলগনি। শ্রী মোদিনা ভুবনেস্বরদা পাঙথোকপা ভারত পুন্বগী ওইবা দাইরেক্তর জেনরেল অমসুং ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিসকী মীফমদা শুরক য়াগনি। রাজ্য অসিনা মীফম অসিগী মপু ওইরি। মীফম অসিদা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি পুমমক্কী দাইরেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস অমসুং সি.আর.পি.এফ, রো, এন.এস.জি, ইন্টিলিজেন্স ব্যুরো অমদি এস.পি.জিগী মকোকশিংসু শরুক য়াগনি। কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত, নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর অজিৎ দোবলসু মীফম অসিদা শরুক য়াগনি। মীফম অসিদা মরু ওইনা সাইবর ক্রাইম, মাওইষ্ট, ইন্টরনেল সেক্যুরিতি অমদি কাউন্তর টেরোরিজমচিংবা হীরম কয়াগী মতাংদা খন্নগনি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট , বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাশিংদা ঙসি অযুক পুং ৫ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

২) ভারতনা য়ুম্ফু ওইদুনা ১৩ শুবা য়ুনাইতেদ নেসন্স জিও-স্পাসিএল ইনফোর্মেসন মেনেজমেন্ট (জি.জি.আই.এম) এসিয়া পেসিফিক প্লিনরি এন্দ রিজনেল কনফরেন্স ঙসি হৌদোক্লগনি।

**অমসুং**

৩) এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মরস ৱেলফিয়রস মন্ত্রালয়গী মখাদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা নেসনেল মিসন ওন নেচরেল ফার্মিং (এন.এম.এন.এফ)ে হীদোকবা অয়াবা পীখ্রে।

**--পাউ লোইজরে--**

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

সেন্তরনা তেলিকোম ওপরেতরশিংদা মণিপুরদা লৈরিবা মী খুদিংমক্কী চহী ৫ গী কোল রেকোর্দ থমবা খঙহল্লকখিবা অমসুং পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফম চরাংনবা থোকপদগী য়ৈথোকখিবগী পাউনা ঙসি ইম্ফালদা পাউচেশিংগী মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সনাৌবাক পাউচেদা-ঈরাং অসিদা লালহৌবশিংগী খূৎ য়াওব্রা খঙদোকবা

সেন্তরগী থৌরাংগী মনুং চন্না মণিপুরদা লৈরিবা মী খুদিংমক্কী চহী ৫ গী কোল রেকোর্দ থমবা সেন্তরনা খঙহনখ্রে-হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসন, মণিপুর নিউজ অমসুং হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

অদানি, মণিপুরগী ৱাহৌদা পার্লিয়ামেন্ট মীফম চখবা য়াখিদ্রে। মসিগা মরি লৈননা মীয়ামা য়াদ্রবা খুৎপুনা পার্লিয়ামেন্ট খুদুম চন্নবা হোৎনরি। মীয়ামগী অপান্বা খংদ্রি হায়না প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম-ইচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীরদুনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগা মরি লৈননা পোকফম পাউচেদা পার্লিয়ামেন্ট মীফম চরাংনবা থোকপদগী য়েথোকখ্রে, মণিপুরগী ৱাফম খন্নসি, অদানিগী শেঞ্জা থুমজাগী কেস খন্নসি হায়না ওপোজিসননা দিমান্দ তৌখ্রে-হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা-জিরিবামনা মণিপুরগী ইস্যুদা খুৎ থিংজিল্লক্কনু, অফবা য়ুম্লোন্নবা ওইবীয়ু-হায়না এম.পি.সনাজাওবনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ইচেল এক্সপ্রেসকীনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

জিরিবামদা অঙাং য়াওনা মীওই ৬ হাৎখিবদা চেন্নবা কুকি মিলিটেন্টশিং ফানবা ফুল স্কেল ওপরেসন হৌখ্রে-হায়বা পাউ অমা মণিপুর নিউজকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-মণিপুরগী লানগী মরি লৈননা আই.এন.দি.আই.এ ব্লোককী মীফম পাঙথোকখ্রে। নিংথম মীফম মনুংদা দেল্লিদা প্রোতেষ্ট তৌরুনবা

ৱারেপ লৌখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

কেন্দ্র সরকারগী স্কিম 'ৱান নেসন ৱান সবস্ক্রি-প্সন' কেবিনেটনা অয়াবা পীখিবগী পাউ-মণিপুরগী মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরদগী অফস্পা লৌথোকউ হায়না মীওই লিশিং কয়ানা পুন্দুনা খোঙচৎ চৎখিবগী পাউ নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি। পাউ অসিমক তমেংলোং তাইমসকীসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা-ইম্ফাল জিরিবাম লম্বী নেসনেল হায়ৱে-৩৭তা লৈবা নুংদলান মপাদা নুং নিংখাইরকপদগী লম্বী ফাওনবা য়াদনা লৈরকপা অদু, ঙসি নুমিদাং ফাওবদা লম্বী শেংদোকপগা থবক লোইরবা য়াই হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।